# রোহিংয়া ১০,০০০ বাংলাদেশতা চৎনবা বোর্দরদা পূনখ্রে



য়াঙ্গোন, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): চীঙ্গাক ফংজিল্লত্তবা অমসুং মখোয়বু তাথীবা হেনগৎলকপদগী রখাইন ষ্টেটতগী রোহিংয়াশিং চেনবা লেপ্তুবগা লোয়ননা বাংলাদেশকা ম্যান্মারগা ফাওনফম অমগী মনাক্তা রোহিংয়া ১০,০০০ হেন্না পূনখ্রে হায়রি। হৌখিবা থাদগী রোহিংয়া ৫০০,০০০ হেন্না বাংলাদেশতা চেনখ্রবা ঈরাংগী ফিভম অদুনা মাইনোরিটি মুস্লিমশিং হল্লকহনবগী প্রোসেস হৌরগনি হায়না ম্যান্মারনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখিবা ৱাফম চিংননিঙাই ওইরি।

চয়োল কয়ানিমুক অসিদা রখাইন ষ্টেটতগী রোহিংয়া কাঙলূপকী অপূনবা মীশিংগী তঙ্খাই অমা হেন্না য়ূল্লোন্নবা বাংলাদেশতা চেন্নখ্রে। হৌজিক ফাওবগী ওইনা কাঙলূপকী অকনবা ঈরাংমক্তি থোক্লিবা ষ্টেট অদুদগী রোহিংয়াশিং সিক্যুরিটি লৈতবদগী চেনবা লেপ্পদ্রি। মুস্লিম ১০,০০০ হেন্না লেটৰেকয়া অমসুং কুরুনথিন ভিলেজগী মরক্তা লৈবা উমং মচা অমদা থুংলরি হায়না গ্লোবেল ন্যু লাইট ওফ ম্যান্মারনা ফোঙদোকখি।

ম্যান্মার গভর্নমেন্টনা রোহিংয়াশিংবু ইথনিক গ্রুপ অমা ওইনা শকখঙড্রু হায়বা য়াদ্রি। অসুম্না শকখঙবগী মহুৎতা ম্যান্মারনা রোহিংয়াশিংবু মুস্লিমশিংনি নৎত্রগা বেঙ্গোলিশিংনি হায়রি। মখোয়সি ইলিগল মাইগ্রেন্ট-শিংনি হায়না লৌনৈ। রখাইন ষ্টেটতগী চেন্নরিবা মখোয় হৌজিক রোহিংয়াশিংদা ওথোরিটিশিংনা ষ্টেট অদুদা খুদোংথীনিঙাই ওইদ্রে হায়না থাজবা পীবা লৈরবসু মখোয় মশাগী অপাম্বগী মতুং ইন্না মফমদুদগী চেন্নরিবনি হায়না রিপোর্ট অদুনা ফোঙদোকখি।

য়ূল্লোন্নবা বুদ্ধিষ্টশিংনা কিহনবা অমসুং ঈরাং তৌবদগী ইথনিক রখাইননা মশিং য়াম্বা এরিয়াশিংদা রোহিংয়াশিংগী অকিবা হেনগৎখি। ফিভমসিগী মথক্তা এরিয়াশিং অদুদা খুঙ্গাশিং চীঙ্গাক ৱাৎপগী প্রোব্লেমসু মায়োক্নরি।

খুঙ্গং খরদদি রোহিংয়া মুস্লিমশিং রখাইন খুঙ্গংশিং ফাওরগা চৎপদা মীপাইনরি হায়না রোহিংয়া এদভোকেসি গ্রুপ অরাকান প্রোজেক্টকী ক্রিস লেৱানা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।

রোহিংয়া ভিলেজ চীফনা মখোয়গী মফমদু থাদোক্নবা ৱারেপ লৌরকপা মতমদা খুঙ্গংদুমা মতুং ইন্দুনা পূং খরগী মনুংদা খুঙ্গং অদু পূমহাং হাংই হায়না লেৱানা মখা তাখি।

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ম্যান্মারগী ষ্টেট কাউন্সিলরগী ওফিসকী মিনিষ্টর চো টিন স্বেনা বাংলাদেশতা হায়খি মদুদি, কুমজা ১৯৯০ গী মতুং অঙনবা চহী খরদুদা য়ানখিবা ভেরিফিকেসন প্রোসেসকী মতুং ইন্না মহাক্কী লৈবাক্না বাংলাদেশতগী থারকপা রেফ্যুজীশিং লৌশিন্নবা শেম-শারে।

# নৱাজ শরিফ অমুক হন্না রুলিং পার্টিগী মকোক ওইহনখ্রে



শরিফনা পার্টিগী প্রসিদেন্ট ওইনবগী চে-চাংশিং পি এম এল - এনগী লীদর ডা: তারিক দাজলনা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ পাকিষ্টানদা সবমিট তৌখি। অতে কেন্দিদেট অমৎতনা পার্টিগী প্রসিদেন্টকী মীখল অদুদা লম্বা ওইনা চোংথোকখিদে।

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): পার্লিয়ামেন্টতা ৱাথোক ওইরবা বিল অমা পাস তৌদুনা মফম তাখ্রবা প্রাইম মিনিষ্টরনা পোলিটিক্সতা হল্লকপা য়ানবগী লম্বী য়াৎখিবগা লোয়ননা নৱাজ শরিফপু লৈবাকপোকপা নুমিৎতা পাকিষ্টানগী রুলিং পি এম এল - এনগী প্রসিদেন্ট ওইনা অমুক হন্না খনখ্রে।

সুপ্রিম কোর্টনা জুলাই ২৮ দা পানামা পেপর্স স্কেন্দলদা প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা ডিসক্বালিফাইদ তৌখিবদগী মশাগী চহী ৬৭ শুরবা নৱাজ শরিফ পাকিষ্টান মুস্লিম লীগ - নৱাজ (পি এম এল - এন) চীফকী ফম থাদোকখি।

রিপ্রজেন্টেসন ওফ পীপলস এক্ট ১৯৭৬ কী মখাদা ডিস-ক্বালিফাইদ তৌরবা মীওই অমনা পার্টিগী ওফিস পায়বা য়াদে।

অদুম ওইনমক, নেস্নেল এসেমব্লিনা পব্লিক ওফিস পায়বা য়াদনবা ডিসক্বালিফাইদ তৌরবা পোলিটি-সিয়নশিংবু পোলিটিকেল পার্টি অমবু লূচিংবা য়াহনবা ৱাথোক ওইরবা ইলেক্সন বিল ২০১৭ নিংথৌকাবা নুমিৎতা পাস তৌখিবগা লোয়ননা নৱাজ শরিফনা পার্টিগী চীফ ওইক্নবগী লম্বীদা থাংলম্বা লিগল খুরৌ অদু লৌথোকখি।

ওপোজিসন কাঙবুশিংনা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকপা মরক্তা পার্লিয়ামেন্টতা কন্না য়েৎনরবা মতুংদা ৱাথোক ওইরবা ইলেক্সন এক্ট ২০১৭ প্রসিদেন্ট মামনূন হুশাইননা সাইন তৌদুনা লো ওন্থোকখি।

মিনিষ্টর ওফ ষ্টেট টালাল চাউধরিনা মীদিয়াদা ফোঙদোকখি মদুদি, শরিফনা মখা তানা পি এম এল - এনগী চীফ ওইনা লৈগনি। 'মহাক লৈবাক অসিগী প্রাইম মিনিষ্টরসু ওইরগনি। শরিফপু লৌতুনদুনা পোলিটিক্সতগী লৌথোকপা য়ারোই' হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

পার্টিগী প্রসিদেন্ট খনবা হায়বসি তৌদবা য়াদবা অমনি। শরিফকী তুং-কোইনা মহুৎ শিনগদবা মীওই অমা খন্দবগীদমক্তা হৌখিবা থাদা পাকিষ্টানগী ইলেক্সন কম্মিসননা পি এম এল - এনদা নোটিস থাখি।

# ইন্দিয়ানা 'টেররিষ্ট' অমবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইহল্লে : পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফ

ইস্লামাবাদ, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি) : য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ইন্দিয়াগী ফোরন মিনিষ্টর সুশমা স্বারাজ অমসুং পাকিষ্টানি ডিপ্লোমেটশিং অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরগী মরক্তা ৱাহৈগী অকনবা লান অমা শোক্নখিবা নুমিৎ খরনিগী মতুংদা অতোপ্পা পাকিষ্টানগী মিনিষ্টর অমনা ইন্দিয়াবু টেররিষ্টশিংনা লৈঙাকই হায়না ফোঙদোকখ্রে।

নিংথৌকাবা নুমিৎতা জিও টিভিগী ইন্টরভ্যু অমদা পাকিষ্টানগী ফোরন মিনিষ্টর খ্বাজা অসিফনা হায়খি মদুদি, সুশমা স্বারাজনা পাকিষ্টানবু টেররিজম এক্সপোর্ট তৌই হায়না মরাল শীরোইদবনি মরমদি ইন্দিয়া অসি হৌজিক টেররিষ্ট অমনা রন তৌরি।

মহাক্না আর এস এসপু টেররিষ্ট আউটফিট অমনি হায়খি অমসুং আউফিট অসিনা ইন্দিয়াবু লৈঙাক্লে অমসুং বি জে পি অসি ওর্গনাইজেসন অসিগী শরুক অমনি হায়না ফোঙদোকখি।



ইন্টরভ্যু অদুদা খ্বাজা অসিফনা হায়খি, টেররিষ্ট অমবু প্রাইম মিনিষ্টর ওইনা খনবা লৈবাক অমগী মরমদা ঐখোয়না করি হায়গনি।" ষণ ঙাক-শেনবগী মীংদা ইন্দিয়াদা মুস্লিমশিং অমসুং দলিটশিংবু হাৎলি হায়না অসিফনা মখা তানা হায়খি।

পাকিষ্টানগী প্রাইম মিনিষ্টর শহিদ খকন অব্বাসিনা ইন্দিয়াবু টেররিজমগী থৌওং কয়া চৎথৈ হায়না য়ুনাইটেদ নেসন্সতা ফোঙদোকখিবগী পাউখুম ওইনা ইন্দিয়াগী ডিপ্লোমেট ইনাম গমভীর অমসুং ফোরন মিনিষ্টর সুশমা স্বারাজনা পাকিষ্টানবু কন্না চৈ থাংখিবা মতুং নুমিৎ খরনি লৈরগা পাকিষ্টানগী অতোপ্পা মিনিষ্টর অমনা মরাল শীবগী ৱাফম অসি লাক্লিবনি।

য়ু এনদা থাবা ইন্দিয়াগী অহানবা সেক্রেটরি গমভীরনা অব্বাসিগী ক্লেমশিংদুগী পাউখুম ওইনা য়ূল্লোন্নবা লৈবাক অসি টেররিজম হায়বা ৱাহৈসিগা মান্নরক্লে হায়খি অমসুং লৈবাক অসিবু টেররিষ্টান হায়না কৌখি।

ঐহাক্না পাকিষ্টানি পোলিটিসি-য়নশিংদা ৱাফমসি খঙহনবা পামই মদুদি মখোয়না তৌফম থোকপা খ্বাইদগী ফবা থবক্তি মশানা তৌরিবশিংদু চপ চানা করিনো হায়বদু খঙবা ঙম্নবা য়েংশিনজবনি। ইন্দিয়া অমসুং পাকিষ্টাননা পূং খরদং কান্নরগা নীং-তম্বা ফংনখি। ঙসি ইন্দিয়াবু মালেমদা আই টিগী সুপরপাৱর অমা ওইনা খঙনরগা পাকিষ্টানবুনা টেরর এক্সপোর্টকী অফবা ফেক্টরি অমা ওইনা খঙনরিবা করিগীনো হায়না সুশমা স্বারাজনা সেপ্টেম্বর ২৪ দা ৭২ রক শুবা য়ুনাইটেদ নেসন্সকী জেনরেল এসেমব্লিদা হায়খি।

# রেফরেন্দম মতুংদা কাটালানশিংনা স্পেনিস গভর্নমেন্টকা ডাইলোগ চথবা পাম্লি

কাটালোনিয়া, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি) : মাদ্রিদনা অথিংবা থমখিবা নীংতম্বগী রেফরেন্দম মনুংদা পুলিসনা চথখিবা থৌওংশিংগী চৈথেং খাঙনরিবা কাটালানশিংনা স্পেনিস গভর্নমেন্টকা মখা তানা মুক্নবগী মহুৎতা ডাইলোগ চথনিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে।

ওফিসতা ওইরবসু, প্রেস কিওস্কশিংগী মমাঙদা, কেফেশিংদা অমসুং মার্কেটকী ক্যুশিংদা ওইরবসু বার্সিলোনা টাউনদা হৌজিক ঙাঙনরিবসি পুলিসনা ফোর্স শীজিন্নবদগী য়ৈখাই-থিনগায়বগী মওং খরা থোকখিবা নোংমাইজিং নুমিৎকী ভোটতুগী মরমদনি।

রেফরেন্দম অদুগী মায়োক্তা লৈখিবা মাদ্রিদনা মতম কুইরবগী মমাঙদা কাটালান সেপরেটিষ্ট লীদরশিংদা মদু পাঙথোকপা য়ারোই হায়না থিংখি তৌইগুম্বসুং মখোয়না মদু নমদুনা পাঙথোকখি।

কাটালোনিয়াগী টাউনশিং অমসুং সিটিশিংদা মীয়াম্না ভোট থাদবা থিংনবগীদমক্তা রাইঅট পুলিস কাঙবুশিংনা পোলিং ষ্টেসনশিংদা চঙশিনখি। মফম অমসুং মতাং খরদদি মখোয়না মীয়াম তানখাইবদা বেটন শীজিন্নবা অমসুং রবর বুলেটশিং কাপ্পগী থৌওং চথখি।

থোকখ্রিবা থৌদোক অসিগী মরমদা ঐহাক তশেংনমক ৱাই হায়না এন্টোনি ক্রেসদো কৌবা মশাগী চহী ৬৫ শুরবা নীংতম্বা শৌগৎপা অমনা এ এফ পিদা ফোঙদোকখি।



পুলিসনা পোলিং ষ্টেসনশিং থিংজিন্নবা হোৎনরুবদা অথিংবা পীরকপশিংবু ফাবা, মীওই খরা মশম পায়রগা চিংবা নৎত্রগা মখোয়দা বেটনশিং শীজিন্নদুনা ফুবগী ফুটেজ মীদিয়া অমসুং সোসল নেটৱার্কশিংগী খুত্থাংদা চাইথোকখ্রে হায়রি।

রিজনেল ওথোরিটিশিংগী মতুং ইন্না, পুলিসকী কা হেনবা থৌওংশিং অদুনা মরম ওইদুনা মীওই ৯০০ লায়কন্নখি।

পুলিস এজেন্ট ৪০ রোমসু মেদিকেলগী মতেং চঙখি হায়না ইন্টরিয়র মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখি। থৌওং অসিনা লৈবাক অসিগী স্পিরিটতা শোকহল্লে, মদু ইকায়বা পীবগী থৌওংনি হায়না ঐহাক্না খন্দে মরমদি মদুমক্তি অরুবা ৱাহৈ অমনি। তৌইগুম্বসুং য়েস শৌগৎপশিং অমসুং নো শৌগৎপশিং অনীমক্তা পুলিসকী থৌওং অদুনা শোকহনখি হায়না ক্রেসদো ফোঙদোকখি।

# ফ্রান্সকী এন্টি-টেররিজম পুলিসনা মীওই ৫ ৱাহং পাউহং তৌখ্রে

পেরিস, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি) : পুলিসনা হৌখিবা চয়োলগী অরোইবা শরুক্তা পেরিসকী খ্বাইদগী নিংথীরবা নৈবরহুদশিংগী মনুংদগী অমদা লৈবা এপার্টমেন্ট বিল্ডিং অমদা পোকখায়হন্নবগীদমক শেম-শারবা বোম অমা থেংনখিবা মতুংদা ফ্রেঞ্চ কাউন্টর-টেররিজম ইনভেষ্টি-গেটরশিংনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা মীওই মঙা ৱাহং পাউহং চথখ্রে।



ইন্টরিয়র মিনিষ্টর গেরার্দ কোলমনা হায়খি, ফারবা মীওইশিংদুগী মনুংদা অমদি ইন্টেলিজেন্স সর্ভিসনা শেন্না কা হেনবা ৱাখল চেলহল্লবা মীওইশিংগী লিষ্টতা য়াওই। লিষ্ট অদুদা ইস্লামিষ্ট মিলিটেন্টশিং ওইরকপা য়াবশিংগী মমিংশিং য়াওরি।

হৌজিকসু ঐখোয় লানগী ফিভম অমদা লৈরি হায়না নোংমাইজিং নুমিৎকী এটেক অমগী মতুংদা ৱা ঙাঙখিবা কোলমনা ফ্রান্স ইন্টর রেদিওদা হায়খি। নোংমাইজিংগী থৌদোক অদুদা মার্সিলি সিটিদা থাঙ মচা পায়বা মীওই অমনা নুপী অনী হাৎখিবনি।

জুদিসল সোর্সশিংনা হায়খি, এক্সপ্লোসিভ ডিভাইস অদুদা ৱেষ্টর্ন পেরিসকী নিংথীরবা ১৬ শুবা ডিষ্ট্রিক্টতা লৈবা বিল্ডিং অমগী মনুংদা গ্যেস কেনিষ্টর অনী য়াওরমখি। অতোপ্পা অনীনা মপানদা লৈরমখি লোয়ননা কেনিষ্টর খরদি পেট্রোল হৈজিল্লমখি অমসুং মোবাইল ফোন অমগা ৱাইঅরগী খুত্থাংদা শম্নরমখি।

টার্গেটনি হায়বা য়াবা অমৎতা লৈতবা মফমদুদা করম্না ডিভাইস অদু থম্নল্লিবনো হায়বসিগী মতাংদা শেংনা খঙদে হায়না জুদিসল সোর্সশিংদুনা হায়খি।

হৌখিবা চহী অহুম্লোম অসিদা ফ্রান্সতা ইস্লামিক মিলিটেন্টশিংনা চথখিবা এটেকশিংদা মীওই ২৩০ হেন্না শিখ্রে। সিরিয়া অমসুং ইরাকতা লৈবা ইস্লামিক ষ্টেট মিলিটেন্ট গ্রুপকী বেজশিংদা ফ্রান্সকী প্লেনশিংনা বোমিং তৌবদগী গ্রুপ অসিনা মসিগী খোঙলোয়শিংদা ফ্রান্সতা এটেক তৌনবা তকশিনখি।

শিখিবা মীওই অয়াম্বা কুমজা ২০১৫ দা পেরিসতা ইস্লামিষ্ট গনমেনশিং অমসুং সুইসাইদ বোমরশিংনা এটেক চথদুনা হাৎখিবনি। হৌখিবা ২০১৬ তা নীসতা নুপা অমনা মীয়াম মরক্তা অচৌবা ট্রক অমা থৌজিনখিবদসু মীওই কয়া শিখি।

# রশিয়ন এয়রষ্ট্রাইকতা আই এসকী ফাইটর চা কয়া শিখ্রে

*মোস্কো, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): সিরিয়াগী নোংপোক থংবা শরুক্তা চয়োল অসিদা চথখিবা রশিয়ন এয়র ষ্ট্রাইকশিংদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মিলিটেন্ট ৩০০ হেন্না শিখ্রে হায়না রশিয়াগী মিলিটরিনা ফোঙদোকখ্রে।*

*সিরিয়াগী প্রসিদেন্ট বাশর অশাদকী মরুওইবা মীচং ওইরিবা মোস্কোনা রেজিমগী ফোর্সশিংগী লাঞ্জংদা এয়র সপোর্ট পীদুনা লাকখিবগা লোয়ননা ইষ্টর্ন প্রোভিন্স দৈইর এল-জোরদা আই এসকী মায়োক্তা চঙশিনবা কেম্পেইনদসু অশাদকী ফোর্সশিংবু রশিয়ন এয়রষ্ট্রাইকশিংনা কভর পীখি।*

*চৈরকসিদা, কর্দিশ কাঙবুনা লূচিংবা সিরিয়ন ডেমোক্রেটিক ফোর্সশিংসু য়ু এসনা লূচিংবা কোলিসনগী বেকিংগা লোয়ননা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা চঙশিল্লি হায়রি।*

# গন কন্ট্রোল লোশিং শেমদোক্নবা ডিমান্দ তৌখ্রে

ৱাশিংটন, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): অমেরিকাগী অনৌবা পুৱারীদা খ্বাইদগী হেন্না শাথীবনি হায়না লৌনবা য়ারবা মীওই ৬০ রোম হাৎখিবা লাস ভেগাসকী মাস সুটিং কন্দেম তৌবগা লোয়ননা ইন্দিয়ন-অমেরিকান লোমেকরশিংনা য়ু এসকী নোংমৈ কন্ট্রোল তৌবগী লোশিংদা অহোংবা কয়া লাকহন্নবা ডিমান্দ তৌখ্রে।



নোংমৈ শীজিন্নদুনা অমাঙ-অতা থোকহনবা হায়বসি মরাল লৈজদবা মীওই লীশিং কয়াবু মথ্বায় মাঙহনবা পব্লিক হেল্থ ক্রাইসিস অমনি হায়না কোংগ্রেসকী মেম্বর অমা ওইরিবী প্রমিলা জয়পালনা ফোঙদোকখি। লাস ভেগাসকী ম্যুজিক কন্সর্ট অমদা গনমেন অমনা য়াল্লবা মীয়ামদা অতৎ-অখম লৈতনা নোংমৈ কাপশিনখিবা পূং খরগী মতুংদা য়ু এসকী হাউস ওফ রিপ্রজেন্টেটিভসতা পীখিবা মহাক্কী স্পীচতা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।

# ব্লামিদির পুটিননা য়ু এসকা মরী ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে




মোস্কো, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): রশিয়ন প্রসিদেন্ট ব্লাদিমির পুটিননা ঙসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা নাকল অনীমক কান্নমিন্নগদবা হেন্না ফবা মরী থম্মিন্ননিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখ্রে। মোস্কোদা থারকখিবা ৱাশিংটনগী অনৌবা অম্বেসেদরগী ডিপ্লোমেটিক ক্রিদেন্সলশিং লৌশিনবদা মহাক্না লৈবাক অনীগী মরী ফগৎহন্নিংবগী অপাম্বা ফোঙদোকখিবনি।

য়ু এস সিনেটনা হৌখিবা চহীদা বিজনেসমেন, ভেটরন ডিপ্লোমেট অমসুং হান্নগী প্রসিদেন্ট মীখলগী কেন্দিদেট জোন হন্টসমেনবু রশিয়াদা লৈগদবা অম্বেসেদর ওইরগনি হায়না কনফার্ম তৌখিবগা লোয়ননা লৈবাক অনীগী মরী ফিভম শোক্লিকৈঙে মরক্তা মরুওইবা ফম অমা মেনশিনখি।

য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা লৈনবা মরীগী মতাংদা পনবা তারবদি লৈবাক অনীগী মরক্তা হৌজিক লৈরিবা মরীগী থাক পেন্নিঙাই ওইদে হায়বা তাই হায়না পুটিননা ক্রেমলিনদা হন্টসমেনদগী ডিপ্লোমেটিক ক্রিদেন্সলশিং লৌশিল্লবা মতুংদা হায়খি। 'ঐখোয়না কনষ্ট্রক্টিভ ওইবা, মায়কৈ অনীমক্তা কান্নগদবা মওংদা মতেং পাংনবা পামই। অদুগুম্বা মরী অদু অমগা অমগা মান্নবা, নেস্নেল ইন্টরেষ্টশিংবু ইকায়খুম্নবা অমসুং লৈবাক মনুংগী এফেয়র্সতা খূৎ থিংজিন্নদবদা য়ূম্ফম ওইগদবনি।

পুটিননা লাস ভেগাসকী সুটিংদা য়ামদ্রবদা মীওই ৫৯ শিখিবা অমসুং ৫০০ হেন্না শোকখিবগী মতাংদসু অমেরিকান মীয়ামদা অৱাবা ফোঙদোকখ্রে।

# গজাদা পালিষ্টিনিয়ন গভর্নমেন্টকী মীফম পাঙথোকখ্রে



গজা সিটি, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি) : মালেমনা শকখঙলবা পালিষ্টিনিয়ন ওথোরিটি (পি এ) না গজাবু অমুক হন্না পায়শিনবা য়ানবগী মায়কৈদা থাংলকপা অহেনবা খোঙথাং অমদা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা টেরিটরি অদুদা পালিষ্টিনিয়ন কেবিনেট মীফম পাঙথোকখ্রে।

কুমজা ২০১৪ দগী হৌজিক ফাওবগী মনুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোক্লিবা মীফম অদু হৌদোকপগী ৱারোলদা প্রাইম মিনিষ্টর রামি হমদালাহনা গজা কন্ট্রোল তৌরিবা ইস্লামিষ্ট হমাস মুভমেন্ট অমসুং ৱেষ্ট বেঙ্কতা বেজ ওইবা মহাক্কী গভর্নমেন্টকী মরক্তা চহী ১০ তোঙান্না তানরকখিবদু লোইশিল্লগনি হায়না নৌহৌননা চেৎনা ফোঙদোকখি।

খাইবুং খাইবুং তানবগী থৌওং লোইশিন্নবা, নেস্নেল প্রোজেক্টপু অমুক হন্না অচুম্বা মায়কৈদা চৎহন্নবা অমসুং পালিষ্টিনিয়ন ষ্টেট অমা লিংনবা ঙসি ঐখোয় মফমসিদা পূল্লিবনি হায়না মহাক্না ফোঙদোকখি।

সেসন অদু গজাদা লৈবা পালিষ্টিনিয়ন প্রসিদেন্ট মাহমুদ অব্বাস ওফিসল রেজিদেন্সতা থম্বা কেবিনেট ওফিসতা পাঙথোকখি। ওফিস অদুদা অব্বাস অমসুং হিষ্টোরিক পালি-ষ্টিনিয়ন লীদর য়াশর অরাফটকী পোরট্রেটশিং থেৎপা উখি।

মদু কুমজা ২০১৪ গী নভেম্বরদগী হৌজিক ফাওবসিদা পাঙথোক্লিবা অহানবা কেবিনেট মীফমনি। মতমদুগী মতুং অমা লৈরগা হামদালাহনা মহাক্কী মিনিষ্টরশিং য়াওদনা গজাদা খোঙচৎ অমা চৎপদি লৈখি।

কুমজা ২০০৭ তা থোকখিবা মীশি-মীনা কয়া থোকখিবা লন্বীগী লান অমগী মতুংদা হমাসনা পি এবু গজাদগী তান্থোকখি, তৌইগুম্বসুং মমৈথংদা অমুক হল্লকপগী ৱাফম অমা হৌখিবা থাদা য়ানখি। টেরিটরি অদুগী মতিক ময়ায় লৈরবা য়ূল্লোন্নবা ইজিপ্টকী মায়কৈদা প্রেসর পীবদগী নাকল অনীগী মরক্তা য়ানবদু পুরকখিবনি।

গজাদা লাকখিবা ইজিপ্টকী ওফিসল অমনা এ এফ পিদা হায়খি মদুদি, মহাক্কী লৈবাক্কী ইন্টলিজেন্স চীফ খালেদ ফাওজিনা শগোলশেন নুমিৎতা গজাদা হমাসকী লীদর ইসমাইল হানিয়াগা উনগনি।

শন্দাইনবগী ৱারী শানবদুদা মহাক্না থাজবা থমই হায়না য়ু এনগী মিদ্দল ইষ্ট পাউখোল্লোই নিকোলে মলাদেনোভনা নিংথৌকাবা নুমিৎতা ফোঙদোকখি।

# সিরিয়াদা কোলিসনগী এয়রষ্ট্রাইকশিংদা মীচম ২২০০ হেন্না শিখ্রে : রাইটস গ্রুপ

দামাসকস, ওক্টোবর ০৩ (এজেন্সি): য়ু এসনা শৌগৎপা কোলিসননা পাঙথোকখিবা এয়রষ্ট্রাইকশিংদা নুপী ৬৭৭ অমসুং অঙাং ৫০৪ য়াওনা য়ামদ্রবদা মীচম ২,২৮৬ শিখ্রে হায়না সিরিয়ন নেটৱার্ক ফোর হ্যুমেন রাইটস (এস এন ঐচ আর) গী রিপোর্ট অমনা ফোঙদোক্লি। বোমিং রেইদ কয়াদি য়ু এসকী পাইলোটশিংনা পাইখিবা প্লেনশিংনা পাঙথোকখি হায়রি।

'ব্লদি প্রাইস' কৌবা রিপোর্ট অদু সিরিয়াদা ইস্লামিক ষ্টেটকী মায়োক্তা ইন্টরনেস্নেল কোলিসননা মিলিটরি কেম্পেইন হৌখিবগী অহুমশুবা কুমওন নুমিৎতা রিলিজ তৌখি।

সিরিয়াগী মীয়াম্না আই এস আই এসপু মায়থীহনবা পান্নবসু মখোয় প্রোসেস অদুদা ৱার ক্রাইমশিংগী ভিক্টিমশিং ওইবা য়ারোই হায়না এস এন ঐচ আরগী চ্যেরমেন ফাদেল অব্দুল ঘানিনা মীদিয়া লাইনদা হায়খি। 'টেররিজম থেংনবা হায়বসি নহাক্না ঙাক-শেনগদৌরিবা মীচমশিংবু করিমৎতা থৌৱা শাদনা হাৎননবগী মরম অমা ওইহনবা য়ারোই।'

সিভিলিয়ন কয়া শিহল্লিবদুগী মথক্তা কোলিসননা হোস্পিটালশিং, বেকরিশিং অমসুং স্কুলশিংগুম্বা সিভিলিয়ন ইনফ্রাষ্ট্রকচরদা য়ামদ্রবদা ষ্ট্রাইক ১৫৭ পাঙথোকখি হায়বসি রিপোর্ট অদুনা উৎখি।

আই এস আই এসকী লৈঙাক খাঙখিবা সিরিয়নশিংবু মনীং তমহন্নবা হোৎনবগী মীংদা শিহনবা হায়বসি য়ানিঙাই ওইদে। মীচমশিংবু ঙাক-শেনদবা নৎত্রগা সিরিয়ন ক্রাইসিস অদুগী মরুওইবা হৌরকফম অসাদকী মীনুংশি য়াওদবা অমসুং লোনা য়াদবা লৈঙাকপু য়েংশিনবা য়াওদবা টেররিজমগী মায়োক্তা চঙশিনবা লাঞ্জং খূদিংমক মতম শাংগনি অমসুং অরেম্বা তাগনি হায়না অব্দুল ঘানিনা ফোঙদোকখি।



'ঐখোয়না ইন্টরনেস্নেল কো-লিসনদা মসিগী এক্টিভিটিশিংগী মরমদা রিপোর্ট মতিক চানা তৌনবা, ইন্টরনেস্নেল লোবু ইকায় খুম্নে হায়বদু অমুক হন্না উৎননবা অমসুং সিরিয়ন মীয়ামগী মীৎয়েংশিং অমসুং তঙাইফদবা অপাম্বশিং উৎলিবা কনফ্লিক্ট অদুগী পোলিটিকেল সোল্যুসন অমা পুরক্নবা মখা তানা হোৎননবা অপীল তৌরি।

হন্দক্তা হ্যুমেন রাইটস ৱাচকী রিপোর্ট অমনসু হৌখিবা মার্চতা সিরিয়াগী অৱাং থংবা সিটি তবকাদা য়ু এসকী এয়রক্রাফটনা স্কুল অমগা কৈথেল অমগদা চথখিবা ষ্ট্রাইকশিংদা মীচম দজন কয়া শিখ্রে হায়না ফোঙদোকখি। থৌদোক অমদা বেকরি অমগী মনাক্তা লৈবা আই এস আই এসকী ফাইটর কয়াদা টার্গেট তৌখিবা এয়রষ্ট্রাইক অমদা মীচম দজন কয়াসু শিখি।